# অঙনবা মণিপুর পুৱারী নাৎ কলচর অমসুং লাইনীং লাইচত্তা নিংথৌ কাংবনা কল্লিবা ফিদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

য়াম্না অঙনবা হায়বদি নূঙগী খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নরিঙৈ মতমগী পুন্সি মহিং, চৎনা লোনচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, য়ূমলৈ-কৈরেনচিংবগা মরী লৈনবা অইবা মচাক মরাং কায়না ফংদে। তশেংনমক হায়রবদা হায়রিবা মতম অসিগী ওইনা মণিপুর পুৱারীগী লাতমদা চনবা য়াবা য়েৎননীংঙাই লৈত্রবা মচাক ফংলব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। মসি হায়দুনসু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ঐখোয়গী ওইবা শীংথাবা য়াবা শুকথন্মক থন্বীরমদে হায়বদি অরানবা ওইগনি। ঐখোয়গী পুয়া কয়া ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্মী। করম্বা মতমদা কনানা ইরম্বনো হায়বা চপ চাবা হায়বা ঙমদবা খরা য়াওজরবসু লমদম অসিগী পুৱারী লাইরিক ইবদা কান্নবা মচাক ওইরি। মরমদি খরা ঙল্লিঙৈ নৎত্রগা থেংতক্না ইবা ওইরবসু মমাঙথক্তা থোকখিবশিং অদু চীনবুং ৱারী, থাজ ৱারী, শৈথারোল, লাইশোন তীনশোন্নচিংবা ওইনা মীরোল মথং মথং থংথরকখি হায়বসিমদি কক্লিংঙাই ওইদ্রে। ময়েক পুথোরক্তুনা ইবা পাবগী লৌশিং লাক্লবা তুংদা মতম মতমগী ওইনা লৈরম্বা ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবশিংনা খূৎই ওইনা থন্বীরল্লিবনি। চহী লিশাং শিৎনা মীরোন কয়া লান্না লাকখিবা মরম্না শেমদোক শেমজিন খরদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু মদুমক্না অশেংবদু মাঙহনখ্রে হায়বদি য়ারোই। হীরমসিদা থোইনা হেন্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবনা থেংলবসু থেংনা মণিপুরদসু অর্কিওলোজিগী লম্‌দা চঙশিনবা হৌরকখিবসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা পুয়াখক্তনা মপূং ফাহনবা ঙমদবা তাঙ্কক কয়াগী মণিপুর পুৱারী ইথোকপদা অচৌবা মতেং ওইদুনা সাইন্টিফিক ওইবা পোত্থোক পুথোকপা ঙমহল্লি।

অঙনবা মণিপুর পুৱারীগী মমিং লৈরবা লাইপোক কয়াগী মনুংদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা, নোংমাইচিংদা পানখিবা নোংপোক নিংথৌ পোইরৈতোন্নচিংবা শীংথাবা য়াবা কয়ানি। মখোয়গী মমাঙদা লৈরম্বশিংগী মনুংদা নিংথৌ কাংবসু শীংথাবদা মতিক চাবনি। সাকোক লমলেন, লৈথক লৈখারোল, কাঙবরোল, লৈহৌ নোংহৌ, খল্লাং পুৱারী অহুইরোন, পুদিন্নচিংবা পুয়াশিংদা কাংবগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ৱাফম কয়া য়াওরি। থন্বীরিবগী মতুংইন্না চক মরিগী মনুংদা ইহান হানবা ওইবা হয়িচক্তা লৈতং নিংথৌগী মচানুপী শিললৈমা (শিলবী লৈমা) না নিংথৌ কাংবা কাংখল পোকই। মহাক পোকখিবা মফমসি কৌব্রুগী শুরুংদনি হায়বগী ৱাফমসু থেংনৈ। কাংবনা লৈমা তারিনু পান্নদুনা কাঙকোই, তৈমা, য়াংমা, তেশারোৎ, উরেলখুবা, উরেলহনবা, ইরেম, খাপা অমসুং লাংপা কৌবা মচা মাপন পোকই। মহৌশাগী খুদোলশিংদা তাংজবা য়াম্না চম্বা পুন্সি মহিংনি হায়বসি তাকই। য়ূম কৈ শাবগী থাক য়ৌদ্রিবা, মৈ মশক খঙলমদবা, য়ূম কৈ শাদুনা খুন্দা লৈতানা হিংবগী মহুত্তা মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎপা, উনা ৱানা, উকু ৱাকুনা ফিজেৎ ওইবা, উমংদা ফংবা হৈ-রা, শা-ঙানা চিঙ্গাক ওইবা, শাগৈ সলাই খায়রমদবা, ফি শীজিন্নরমদবা পূন্নমক অসি য়েংলুরগদি অখঙ অহৈশিংনা খায়দোক্তুনা থন্বীরম্বা নুঙগী খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নবা তাঙ্কক অহুমগী মনুংদা ইহান হানবা অরিবা নুঙগী যুগতুনি হায়না লৌবা য়াই। মদুমক ওইদুনসু তাঙ্কক অসিগী মীওই কয়ানা শা-কৈ অমদি অতোপ্পা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লনবা হোৎনরকপদা কাঙলূপ ওইনা শুরুংনচিংবদা লৈরম্বগী খুদম ফংই। লমদমসিগী মমিং লৈরবা অর্কিওলোজিষ্ট ডা. ও কুমারগী লমজিং মখাদা থিজিন হুমজিনবদা সোংবু অমসুং খংখুই শুরুং, নোংপোক কৈথেলমানবী, শিংতোম, মচিনচিংবদগী ফংলকখিবা খূৎশু খূৎলায়শিংনা হায়রিবা মতম অসিগী মীওইশিং লৈরম্মী হায়বসি উৎখ্রে।

কাঙলূপ মরক্তা ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক ময়াই লৈবা, ৱাখল-লৌশিং চঙখোনবা, মথৌনা লৈবা মীশক অদু নিংথৌ কাংবা ওইরম্বা য়াই। কাঙজেরোল পুয়াগী মতুংইন্না মহাক্কী মতমদা শগোল কাংজৈ হায়বা মশান্না হৌদোকখিবদগী মাগী মমিং লৌদুনা কাংজৈ থোনখিবনি হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। অতোপ্পা শীংথাবা য়াবা অমনা মহাক্কী মতমদা লৈরম্বা অরেপ্পা লাইনীং হায়না খঙনবা সনামহী লাৎপা মহাক্না হৌদোকখি হায়বসিনি। লাইগী লাইশক্তি নুঙগী মশক মওং ওইনা লাৎলম্বগী ৱাফমসু থন্বীরম্মী। নিংথৌ কাংবনা থুপ্পমদাইদা নুঙনা মশক মওং ওইবা লাইনিংথৌ অসি নোংমাইচীংগী শুরুং মনুংদা থমখি হায়। শিবগা মরী লৈনবা থৌরমদি মোংফম নাইদবনা অশিবা হকচাং অদু লমহাংদা থম্মী। কাকয়েন মীঙম্বা হায়বা উচেকশিংগী নিংথৌনা থৱায় য়াওদবা হকচাং অদু পুখ্রগা হৈবোক চীং মনাক্তা চেনবা তুরেলদা থাদখ্রবা মতুংদা লাই ওইখি হায়না থাজনৈ। মচা মশু ওইবশিংনা ঈশিং মপান্দা ফমদুনা নুমিৎ তরুক্নি চরা হেনবগী ৱাফমসু লৈ। মতৌ অসুম্না চাওখৎপগী মমি লাক্ত্রিঙৈ মতমগী পুন্সি মহিং ওইদুনসু নিংথৌ কাংবগী লুচিং মখাদা লোনচৎ, লাইনিং পথাপ শেমদুনা লৈরম্বগী খুদমনি হায়না লৌবসু য়াই। কাংবগী কাঙলূপ্না মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎখিবরা নৎত্রগা অকক্লবা শুরুং অমদা লৈখিবরা হায়বসিসু থিজিনবগী মথৌ তারি। মরী লৈনবা মফমশিং হায়বদি কৌব্রু, নোংমাইচীং, কাংঙমুং পনবা য়াই।

অসিগুম্লবা কান্নরবা মচাক কয়া অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদা লৈরম্বা লমদম অসিগী পুৱারী, নাৎ, কলচর, লাইনিং লাইচৎ, পুন্সি মহিং অদু খোমজিন্দুনা শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরিবনি। মসিবু মপূং ফাহনবদা আর্কিওলোজিদা মীৎয়েং থম্বগী মথৌ তারকই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মমল য়াম্লবা পুয়াশিং অসি লৈরম্বনা মচাক খরা ফংবা ঙম্লে। মতাং অসিদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি পুৱারী হায়বসি পঙশেম শেমজিনবা য়াদবা হীরম ওইবনা থন্বীরম্বা খুদিংমক্কী অচুম চুমদা নৈনবগী ৱায়েৎ য়াওবা মতাং কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু ঐখোয়গী অরিবা লাইরিকশিংগী তোপ তোপ্পা মশক লৈজে। ইবগী মতম অদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা মপূং ওইবা ৱারীশিংদি পুৱারীগী অশেংবা থৌদোক ৱাথোক্তা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপনা অয়াম্বনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা মাঙলমচত্তা থোকখিবশিং অদু চীনবুং ৱারী ওইনা মথং মথং চীন্থাং লান্না লাকখিবদু তুংগী মীরোলনা ইথোরকখিবনি। তশেংনা থোকখিবা থৌদোক্কী ৱারী ওইবনা হেন্দোক হেঞ্জিন লৈবা অমদি ককথোক ককশিন তৌবগী মথৌ তারবসু মচং ওইবদুদি লৌখৎফম থোকই। ওইনীংবা ওইজসনু নিংথৌ কাংবনা হৌদোকপীরম্বনি হায়বা সনামহী লাইনীংগী মশেক মঙান অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। শগোল কাংজৈসু মালেমদা শক তাকপা ঙমখ্রে। নুংনাংলিবদি লমদম অসিদা মশান্না অসিবু থৌশাবীরক্তবগী মনিল লাকপগুম তৌরিবসিনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

# মপী-মপা লৈত্রবা লম্লাই এ সীগী নহাশিংনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা অওনবা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈরে : অচোইবম দেবেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসি মপি-মপা লৈতবা এ সী হায়বদু ওইরে। মপি-মপা লৈতবনা মরম ওইদুনা এ সী অসিদা চাওখৎপগী থবক থৌরম কয়া পন্থবা খক নত্তনা হীরম খুদিং শোৎথবা হায়বদু ওইরে। লমদম অসিগী হৌখিবা লুচিংবশিংনসু মায়কৈ অসিগী য়াইফনবা থৌরাং-থৌশিল অমত্তা পায়খৎলমদে। ৱাবা য়াবা ৱাখ্রে, খাঙবা য়াবা কয়া খাঙদুনা লাক্লে। অদুবু হৌজিক্তি ৱাবগী অমদি খাঙদুনা লৈবগী মতম অদু নত্রে। মরম অদুনা মরুওইনা লমদম অসিগী নহাশিংগা পুন্না খুৎশম্ননা চৎমিন্নদুনা চাওখৎপা, অওনবা অমদি অহোংবা লম্লাই এ সী অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবগী মতম অদু হেনখিগদৌরে হায়না এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনা চোংথোরল্লিবা অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্লাইদা লম্লাই ব্লোক য়ূথ কোঙ্গ্রেস কন্মিটি (এল বি ৱাই সী সী) অমদি লম্লাই কেন্দ্র য়ূথ দিভলপমেন্ট কন্মিটি (এল কে ৱাই দি সী)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা 'রোলস ওফ য়ূথস ইন পোলিটিক্স' হায়বা ঠিমদা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ফোঙদোকখিবনি।




থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লম্লাই এ সী অসি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অসুমক লৈরগদি হেন্না-হেন্না অৱাবগী ইরোন্নুংদা লুপখ্রগনি। অৱাবগী ইরোন্নুংদা লুপখিগদৌরিবা এ সী অসিবু অমুক্তং কন্নবা হোৎনজরমগে হায়না মীহুৎ অমা ওইনা চোংথোরল্লবসু মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রগদি পাঙথোকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সন অসিদা পূন্না লেপমিন্নদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনবা থবক তৌমিন্নসি। এ সী অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী, নহাশিংগী, অঙাংশিংগী অমদি নুপীশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংদনা মতম শাংনা লৈরক্লিবসি অমুক্তং কোক্লনবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনেষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোশ্বামিনা হায়, হৌজিক-হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা এন বিরেননগী লৈঙাক অসিনা হায়দোকখিবা ৱাফমশিং অমত্তা মপুং ফানা থবক ওইনা তৌদ্রি। বোর্দর এরিয়াদা পিল্লর ৮১গী প্রোব্লেম ঙসি ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থোং অনী খক শারগা থোং য়াম্না শাবগী ৱা ঙাঙলিবসি মীয়াম্নসু খঙবিরমগনি কোঙ্গ্রেসনা পাল্লিঙৈ মতমদা মরুওইবা অচৌবা থোং ৫০গী মথক্তা শাখি। লোয়ননা কোঙ্গ্রেসপু লান্না উহন্নবগীদমক কবো ভেল্লিবু কোঙ্গ্রেসনা পীথোক্লম্বনি হায়জিল্লিবা ৱাফম অসিসু অরানবা ৱাফমনি। মসিগী প্রুফ লোইনা লৈ। কবো ভেল্লি পীথোকখিবা মতম অদুদদি মণিপুরদা কোঙ্গ্রেসনা পান্দ্রি। করপসন মুথৎকনি হায়না লাউদুনা এন্টি করপসন সেল অমা লিংখৎলম্বা অদুসু অদুমক তুমিন্না লৈহনখ্রে। চহী মরি হেল্লবা ফাওবদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা লোইশিনবা ঙমদ্রিবা অসি করিগুম্বা কোঙ্গ্রেসনা লৈঙাক পায়বা ওইরম্লবদি ঙহান্না শাবা লোইরম্লগনি। কোঙ্গ্রেস পার্টিনা হৌদোক্লম্বা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মনুংচন্না পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চেঙ মশিং ফাওবা শুনা পীবা ঙমদনা ফজখ্রবা স্কিম অসি কাংখোং চাইহল্লে। কোভিদনা পীরিবা চৈথেং অসি তশেংনা হায়রগদি বি জে পি লৈঙাক্না থৌশাদবদগী অমুক্না হেন্না অচৌবা অৱাবা ওইহনবনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কোঙ্গ্রেসকী লৈঙাক অমুক হন্না লাক্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা এল কে ৱাই দি সীগী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম সোভা, এল বি ৱাই সী সীগী প্রসিদেন্ট হিদাম মারজিৎ অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা এল কে পি এফকী প্রসিদেন্ট থোকচোম খম্বা, এল বি সী সীগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সোমরেন্দ্রো, এল কে ঐচ এ দি সীগী প্রসিদেন্ট আর কে অশোন, এল বি এম সী সীগী প্রসিদেন্ট আর কে রোমিতা, এল বি ৱাই সী সী অমদি এল কে ৱাই দি সীগী ইন-চার্জ নিংঙোম্বম হেলেনগা লোয়ননা স্পিসিএল ইনভাইটিজ ওইনা হান্নগী জিলা পরিষদ মেম্বর টি রতন, হান্নগী প্রধান এল দিনেশ, বি সী এগী ফাউন্দর আই বি লুৱাংনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নহা নুপা-নুপী কয়াসু মরুওইনা শরুক য়াখি।

# জিরি লম্বী সলাক শারে, লম্বীদা গাড়ী চকা পুখবদগী চিংখৎনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি নীংথিনা শেম্বীদবনা নোং তারগা লম্বী ময়ায়দা ঈশিংনা দ্রেন ওইনা চেনবগা লোয়ননা লম্বীগী নাকলদা দ্রেন নীংথিনা শেম্বীদবদগী লম্বী ময়ায়দা ঈশিং তুংদুনা লৈবদগী পোৎ-চৈ পুবা ট্রক কয়া পুখবা, চেপ্পদগী থৌগৎপা ঙমদবদগী তুংদা লাকপা গাড়ীশিং চৎপা য়াদনা মীয়াম অমদি গাড়ী দ্রাইভরশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

লম্বী অসিদা তোয়না চথোক-চৎশিন তৌরিবা গাড়ী দ্রাইভর ওইনাম ধননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা হৌজিক নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ অসি মতম চানা রিপ্যেরিং তৌবীদবনা লম্বী অসি হান্নদগী ফিভম য়াম্না শোকচিল্লে। লম্বীগী ফিভম য়াম্না শোকচিল্লক্লিবা মফমশিংদি-নুংবাদগীনা রেংপাং, এ গারো মাইনদগী ন্যু কৈফুন্দাই, খোংশাং টু ইরং, কম্বীরোল, বরাক থোং মনাক (মায়কৈ অনীমক), কৈমাই টু শান্তি খুন্নৌ, শান্তি খুন্নৌ টু নুং দলাননচিংবা এরিয়া অসি লম্বী ফত্তবনা গাড়ী চেপ্পা,



পুখবা তোয়না তোক্লে।

ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা শেল্লম্বা লম্বী অদু মখা তানা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা শেম্বীদবদগী লম্বীগী ফিভম অসি য়ৌনা শোকচিল্লকপনি। কিলোমিটর ২২৭ লোম শাংবা লম্বী অসি নোংমদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎনরম্বা অদু হৌজিক্তি নুমিৎ নীনিরোম চঙলে হায়রি। বি জে পি সেন্টরগী লুচিংবা অমনা ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি এরোপ্লেন তাবা য়ানবা শেমগনি হায়খিবা অদু হৌজিক্তি লম্বী ময়ায়দা ইরোই লৈওনফম ওইনা লৈরে। লম্বী অসি শেম্বগী থবক তৌরিবা এন ঐচ আই দি সী কাঙবুগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্না অকনবা থবক লৌখৎপা মতৌ তারে হায়রি।

# দোলাইথাবী লম্বী খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরনা শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীদা ইহান হান্না মেছিননা চিংদুনা শেমখিবা পুখাও দোলাইথাবী লম্বীগী ফিভম কা-হেন্না শোকচিল্লকপদগী পুখাও মায়কৈগী মীয়াম্না শেমজিনবীনবা হায়বদগী এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরনা অচঙবশিং পুথোক্তুনা শেমজিনবা হৌবনি হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কন্মিটি কে কে দি সীগী স্পোক্সপর্সন নোংথোম্বম দিজেননা ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা হায়খিবদা, লম্বী অসি হৌখিবা চহী ৬/৭কী মমাঙদা দোলাইথাবী বেরেজগী য়েংলগা আই এফ সী দিনা মেছিন চিংদুনা শেমখিবনি, অদুবু মতমগী মতুং ইন্না দোলাইথাবী বেরেজগী অচৌ-অচৌবা হেভি ভেহিকলশিং অমদি সাইকুল এরিয়াগী গাড়ীশিং কূংনা ফাওরগা চৎপা অমদি চহী কুইশিল্লকপগা লোয়ননা মেন্টেনান্স তৌবীদবনা হন্দক কোভিদ-১৯ ৱেভ লাকখিবা অসিগী মনুংদা ঙসিগী ফৎত্রবা ফিভম অসি য়ৌনা শোকচিনখিবনি। কে কে দি সীদা লৈকায়, খুলশিংদগী অহল-লমন, তুংগী য়ূম্বীরেলশিংনা থল্লকপা ৱাফম চাদা ৮০গী চাংদা থবক্তা ওম্থোক্লে।

লোং টর্ম প্লানদা রিছোর্সেস ফীল্ড শেমগৎপা ঙম্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি ৱাখল মান্নবা মীয়ামগা থবক ওইনা উৎনবা হোৎনরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী লম্বী শেমজিনবা অসিদা পুখাও মায়কৈগী মীয়াম মরু ওইনা নোরদর্ন য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকী ভোলন্টিয়রশিং থোক্লক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা এন ৱাই দি সীগী জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ সঞ্জয় হায়, পুখাও দোলাইথাবী লম্বী শেমজিনবীয়ু হায়জরুবদা এ সী অসিগী এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরনা থিম্বা তৌদনা মায়কৈ অসিগী মীয়ামগীদমক পাম্বোম তিংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# অমরজিৎ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱাই ভি ও য়াইস্কুলগী মরু ওইবা মেম্বর য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগী এল অমরজিৎ (৫৬)না মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী সিনিয়র মেম্বরশিং অমদি লৈকায়গী অহলশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনিট অনী তূমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কানি অমদি এস পি কেপস্যুলগা কোন্ননা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): নেসনল হায়ৱে-১০২গী কালাপহারদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা মারুটি স্বিফট অমা খামদুনা চেক তৌবদা কানি কেজি ৩গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে হায়রি।

কাংপোকপী পুলিসকী ও সী হেমিন্থাং কিপজেন অমদি কালাপহারদা লৈবা ৯শুবা আই আর বিগী কমান্দর ঐচ মনিহারগী লুচিংবা টিম অমনা ঙসি কালাপহারদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা স্বিফট কার অদু কালাপহারদা খামদুনা চেক তৌবদা গাড়ী অদুগী মনুংদা লোন্না পুরম্বা কানি কে জি ৩ অদু ফাবা ঙমখিবনি। গাড়ী অদু থৌরকপা ড্রাইভর অদুগী মমিংনা রামেশ ভাসনেট (৩৪) অপোকপা অমর বহাদুর ভাসনেট কৌই, মহাক কালাপহার চন্দ্রমাদা লৈবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কাংপোকপী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে।

নাকল অমরোমদা, থৌবাল এস পি জুগেসচন্দ্র হাওবিজম আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর এমদি রিয়াজখান অমদি লিলোং অলাদাগী মেম্বরশিংগা পুল্লগা ঙরাং নুংমিদাংৱাইরম পূং ৫.৪৫ রোম তাবদা থৌবাললোমদগী লিলোং রোমদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক দ্রগ পুথোক পুশিন তৌই হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিসকী কাঙবু অসিনা লিলোং অলিয়া লমখায়দা বালেনো কার নম্বর এম এন ০১-এজি/১২৬৬ চেক তৌবদা নুপা অমা ফাখি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং এমদি শাহবুদ্দিন এলিয়জ অবো (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি সমসুরজমান কৌই। মহাক ক্বাক্তা কৈথেল পাঙ্গল লমখায়দগী লাক্লগা হৌজিক্না লিলোং কৈথেলদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী এস পি কেপস্যুল ২,৮৫৪; কোদি কফ সিরব বোট্টল ৩, অহাংবা বোট্টল ৩ য়াওনা ফাগৎখি হায়রি। মহাক এন দি এন পি এসগী মখাদা এক্সন লৌখৎনবা লিলোং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# ক্বাক্তা মীয়াম মীকপ থোকপীদুনা অনৌবা ক্বাক্তা অমা ওইহল্লসি: শান্তি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): মোইরাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা থোঙাম শান্তি, সোসল ৱর্কর মোইরাংবু লাক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেমব্লি জেনরেল ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা হোৎনবগী খোঙথাং অমা ওইনা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল য়ুনিটনা শীন্দুনা হৌনবী মতুং ইন্না ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল ৱার্দ নম্বর-৫গী লৈখিদ্রবা এমদি কলামগী সঙ্গাইদা কাওন্সিল অসিনা কোনবা ৱার্দ মাপন দগী অপূনবা য়ুথ ২০০ রোমগা লোয়ননা সোসল গেট-টুগেদর মীটকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা টিঐচ শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, য়াম্না নুংঙাইবা মীকূপ অমদা ঙসি ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল লমদম অসিগী লাইরিক-লাইশু মঙাল নীংথিনা ফংলবা নহা কয়ামরুম্না ঙসি ফোঙনা থোকপীরক্তুনা ক্বাক্তা লমদম্বু অফবা চাওখৎপা এ সী অসিগী মনুংদা লমদম অমা ওইহন্নবা থম্মোয় শেংনা মাঙ থাদুনা থোকপীরক্লিবা য়ুথশিং অসিগীদমক থাগৎপগা লোয়ননা চাউথোকচবা ফাওজে। মমাঙদা মোইরাং এ সী লুচিংবীরম্বা মীওই কয়ানা ক্বাক্তা লমদম্বু অহেনবা দিভলপমেন্টকী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংবীরমদবা অমসুং অশানবা মীৎয়েং য়েংবীরমদবা মরম ওইদুনা ঙসিগী য়ুথশিং অসিনা অওনবা অহোংবা নাইবা ক্বাক্তা লমদম অমা পাম্লকপনি হায়বসি ঙসিগী মীফম অসিনা তাক্লে হায়না লৌবগা লোয়ননা শান্তি মশামকপু নুংশিজরবা ক্বাক্তা লমদম অসিগী ইচিল-ইনাওশিংনা পোলিটিক্সতা খোঙদাহনবীখিবা অদুবু নীংশিংলদুনা নৌহৌননা করিগুম্বা অল্লাহনা পীনবিদুনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মায় পাকহনবীরবদি ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ত অনীগী প্রজা মীয়ামগী য়েংদুনা সেক্টর খরা এদ্যুকেসন, ৱাটর সপ্লায়, মাইনর ইরিগেসন অমসুং হেল্‌ঠ সেক্টরদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা চাওখৎপা মায়কৈদা মীমান্নবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনগনি হায়বগা লোয়ননা পূন্নমক্না অচেৎপা থাজবা থম্বীদুনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা পূন্নমক্কী সেবা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা এমদি ৱাহিদুর রহমন এম কে পি এফ কে এম সী য়ুনিটকী মেম্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ক্বাক্তা লমদমগী ঐখোয় য়ুথশিংনা অচৌবা দায়ত্ব অমা লৌবগী মতম ওইরে অমসুং ক্বাক্তা লমদমসি চাওখৎপদা থোং মান্নবা ক্বাক্তা অমা ওইনবা শান্তিগী তুং ইন্দুনা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

পিঐচ থোইবনা টিঐচ শান্তি নত্তবা কনাগুম্বা এ সী অসিগী লুচিংবা অমত্তনা অওনবা ক্বাক্তা অমা পুরকপা ঙল্লোই হায়বগী থাজবা লৈবগা লোয়ননা মহাকপু এ সী অসিগী লুচিংবা ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়খি।

ঙসিগী শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম অদুদা ফ্রন্টকী চীফ এদভাইজর ৱাই মোধু জেনরেল সেক্রেটরি এম উত্তমকুমার লোয়ননা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী লুচিংবশিং অমসুং ক্বাক্তা ম্যুননিসিপাল কাওন্সিলদা লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংসু শরুক য়াখি।

# অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা খোঙচৎ চৎখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): তংদু-লৈতাবা, অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা, চাওখৎপা, নিষা লৈতবা চাওখৎপা লমদম অমা পীমিন্নরসি হায়বগী পান্দমদা য়ুথ ওর্গনাইজেসন খাঙবোক অমদি ৱিমেন ওর্গনাইজেসন খাঙবোকনা শীন্দুনা ঙসি খাঙবোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নহা ১,০০০ রোম্না শরুক য়াদুনা মোটোরসাইকল খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খাঙবোক খুঙ্গংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়াম থোক্লক্তুনা খোঙচৎ অদুবু তরাম্না ওক্লখি।

খাঙবোক্কী জিল্লা পরিষদ মেম্বর কেঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট-১ জি পিগী প্রধাণ এস ওপেন্দ্রো অমসুং খাঙবোক পার্ট-৩ জি পিগী প্রধাণ নোমিনী এম মংলেমজাওনা মোটোরসাইকল খোঙচৎ অদু খাঙবোক ময়ায় লৈকায় টি দি সী গ্রাওন্দদগী লমথাখি। তুংদা খোঙচৎ অদু খাঙবোক ভিলেজ পোল্লিং ১৬কী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং ফাওদুনা চৎলবা মতুং খাঙবোক ময়ায় লৈকায় টি দি সী গ্রাওন্দদা অমুক হল্লক্তুনা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারুবা মীয়াম অদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিবু ওকপগা লোয়ননা শান্তিগী খোল্লাউ কয়ামরুমসু লাউখি।

মোটোরসাইকল খোঙচৎ লমথাবা অদুগা মরী লৈননা খাঙবোক জিল্লা পরিষদ মেম্বর কেঐচ রাজ মোহোননা হায়খিবদা, খাঙবোক খুঙ্গংগী পোল্লিং ষ্টেসন-১৬ কী নহাশিংনা শরুক য়াদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিগী পান্দমদি খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক নুংশিননা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নবা, অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা খোঙচৎ অসি শীনবনি হায়খি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ / BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Pass Book of SBI, Ima Market Branch bearing A/C No. 37085114926 on the way between Laphupat Tera and Bazar on 25/08/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Mr. Thoubalmayum Ikbal
Konuma Hiyangkhong
# 8837211674
HL-P/9894/31

OFFER OFFER
ꯐꯪꯕꯤꯒꯅꯤ / ঙানু মচা অমদা লুপা ৭০দা ফংবীগনি

নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী ঙানু মচা Klogi, Muksan, Pekkin অমদি য়েন্নাও মচা Kuroiler, Black Rock, F.F.G., layer মচা হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা Advance Booking তৌবীয়ু। থাংজ নুমীৎ খূদিংগী ঙানু মরুম, য়েন মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎ খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। মচা কোনবা য়াবা ঙানু মরুম অমদি য়েরুম য়োনবীনিংবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা খঙহনবীরকউ।

লেংশিনবীরকসি : EMOINU HATCHERY
Near BSNL & Postal Colony,
Eastern Ground Road, Palace Compound
# 9436085117
HL-P/9900/31

ꯐꯪꯕꯤꯒꯅꯤ / দাইবেটিসকী হীদাক ফংবীগনি

দাইবেটিস ইরাই লায়না ফহনবা ঙম্বা (Indradhrum Herbal Products) অয়ুরভেদিককী অমত্তা ঙাইরবা হীদাক অসি শীজিন্নবনা Gujarat অমদি Maharastra দা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমখ্রবা হীদাক অসি মখাগী contact No. অসিদা পাউ ফাওনবীদুনা ফংবা ঙমগনি।

হীদাক ফংফম :
Ningthoujam Omeshowri
C/o. Ningthoujam Ibotombi Singh
Keishamthong Elangbam Leikai, Leirak Achouba Lairembi
Mamang Leirak,
Mobile No : 9004619348 / 7005768090
HL-P/9866/27/8-8/9 (alt)